# কুমজা ২০১৯ ৱর্ল্ড কপকী সিদনি খোঙচৎতা

- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -




কুমজা ২০১৯ প্রোফেসনেল অমদি অমেচর ৱর্ল্ড কপ ঐহাক্না হেদ জজ ওইদুনা সিদনি সিটিদা লৈবা Ridges World Square Hotel দা থা অসিগী ৭ য়াম্না ঙন্না, মায় পাক্না পাঙথোকখ্রে। মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিং হায়বদি য়ু এস এ, হঙ্গেরি, রসিয়া, সাউথ অফ্রিকা, ভিএটনাম, ইন্দিয়া, টাইৱান, ন্যু জিলেন্দ, পেসিফিক আইলেন্দস, ওষ্ট্রেলিয়া লোয়ননা অতৈ লৈবাকশিংদগী শান্নরোয় ১৫০ হেনবনা শরুক য়াদুনা ঈংনা তপ্না পাঙথোকখি। মশা মউ ফবগী চাংদম্নবা অদুদা য়ু এস এদা লৈবা আই এন বি এ পি এন বি এগী ফাউন্দর অমদি ৱর্ল্ড প্রসিদেন্ট ওইরিবা দেন্নি কাকোস, সী ঈ ও, দাইনা কাকোস অমদি ভাইস প্রসিদেন্ট দেনিস কাকোসসু লাক্তুনা য়াওরখি। লোয়ননা য়ু এস এদগী Sammy Sisk, New Zealand দগী Peter Hardwick, Australia গী তোঙান তোঙানবা সিটিদগী Karen Wellsted, Josh Sinclair অমদি Adnana Paula সু লাক্তুনা ঐহাক্কা জজ ওইমিন্নখি। মখোয়গা লোয়ননা মখোয় মখোয়গী ইমুং মনুংসু য়াওরকখি।

অসিগুম্বা য়াম্না চাউবা, মালেমগী ওইবা মশা মউ ফবগী চাংদম্নবা অদুদা ঐহাকপু জজ ময়ামগী মকোক ওইনা খনবীরকপদি য়াম্না লাবক ফবনি অমদি ইকায়খুম্নবা উৎপীবনি হায়না লৌজে। ঐহাক্কুম্বা এসিয়াগী মীওই অমবু হেদ জজ ওইনা কৌবিরকপসিনা তাকপদি এসিয়াসু আই এন বি এ পি এন বি এগী ম্যেন ষ্ট্রিমদা য়াওরে হায়না তাকপনি। অসিগুম্বা ঐখোয়বু ম্যেন ষ্ট্রিমদা শক খঙবীবসি হান্নদি লৈরমদে। ঐখোয়বু শক খঙবীবা অসিনা ঐখোয় এসিয়াগী শান্নরোয়শিংনা ফংফম থোকপা মকোক মথং ফংবদা য়াম্না মতেং ওইগদৌরিবনি হায়না থমজগে।

মালেমগী মশা মউ ফবগী চাংদম্নবা ৱর্ল্ড কপ অসিদা বেঙ্গলোরদগী লাকখিবা শান্নরোয় শোধান রায়না গোল্ড মেদল অনী, সিলভর মেদল অমা, বোদিবিল্ডিং মশান্নদা প্রোফেসনেল কার্দ লৌখি। মসিগী মথক্তা মহাক্না বেষ্ট পোজর হায়রিবা মিংথোল অসিমসু ফংখি। মসিমসু ঐহাক্কী আই এন বি এ এসিয়াগী প্রসিদেন্ট অমদি হেদ জজ অমা ওইবগী মশক খঙবীরমদ্রবা, ইকায়খুম্নবিরমদ্রবা, শোধাননা ফংলিবা মিংথোলশিং অসি ফংলমদবসু য়াই, হায়বদি মশা মউ ফবগী চাংদম্নবা হায়বসিদি মীচং মীখায় নাইবা মশান্না অমসু ওইবনিনা জজশিং অদুনা নৎত্রগা থৌরম অদুবু পাঙথোক্লিবা য়ূম্বু অদুনা ওন্থোক ওনশিন তৌখিবদা করি হায়রুবা ঙমগদৌরিবনো?

অদুবু আই এন বি এ পি এন বি এ কম্পিটিসন্দদি য়ারিবমখৈ জজশিংনা অমদি থৌরম পাঙথোক্লিবা য়ূম্বুনা মীচং মীখায় নাইদনা শান্নরোয় অদুনা করম্বা ফীভমদা লাকপগে য়েংদুনা মাগী মাগী ফংফম থোকপা মীংথোলদু পীদুনা লাক্লি। অসি ফাওবদা হৌরে ৱাহং কয়া অমা হংলকপা শান্নরোয়শিং অমদি মখোয়বু তম্বী তাকপীবা ওজাশিংদগী, মরুওইনা মকোক তাবা ঙমহৌদ্রবা শান্নরোয়শিংনা। ৱর্ল্ড কপ হেক লোইবা নুমিৎতুদগী নুমিদাংগী পূন্না রেষ্টুরেন্টতা চাবা থকপগী থৌরম অদুদগী অদুম হৌরে হংলকপা ঐহাক্কী ইফমদা, অতৈ জজশিংদা অমদি শিল্লি লাংলিবা য়ূম্বু, কেন রোজতা। ঙসিফাওবা ৱাহং হংলকপা লেপত্রি মরুওইনা ঐহাক্না জজশিংগী মকোক হায়বদো ওইখিবনা। মখোয়গী পাউখুম পীবা অরায়বদি নত্তে। অদুবু মখোয়না শাউদনবা মরমশিং অদু শুগাইনা খুল্লিবনি। হোয় লোইনমকপুদি শাউনা হংলকপা নত্তে মকোক তাহৌদ্রে হায়দুনা। খরা অমদি য়াম্না নোল্লুক্না করম্না মথংদা হেন্না ফগৎনবা করি পাউতাক পীবিনীংই, করম্না ফগৎকনি, করম্বা মশান্নদা থোক্লগা হেন্না চান্নগনি হায়বনচিংবা হংলকই। অদুগা খরা অমদি মকোক তাহৌদ্রে হায়দুনা মসিনা মখোয়গী পুন্সিদা অরোইবা কম্পিটিসননি হায়বগী মতাগুম য়াম্না শাউনা শাউনা হংলকপসু য়াওই। ফরে মসিনা শান্ন-খোৎনবগী অমদি জজ অমা ওইবগী ঈথৌশিং খরা পঞ্জবনি। চেম্পিয়নশিপ পাঙথোকপগী ঈথৌ লোইরবনিনা অতোপ্পা চাবা থকপা, কোয়বনচিংবা মায়কৈরোমদা ঙাইহাক পূক্লিং চিংশিল্লসি। লেমহৌরিবা নুমিৎশিংদি তোঙান তোঙানবা সিদনিগী য়েংবা য়াবা পোৎলমশিং অমদি মফমশিংগী য়েংবা অমদি লমদম অদুগী চাবা য়াবা পোৎলমশিং চাবা অসিনচিংবা তৌবনা অনীশুবা ইথৌ ওইনা থম্মী হায়বা তারে। চুম্না সুম জজ অমা ওইনা নৎত্রগা শান্নরোয় অমা ওইনা কম্পিটিসন লোইরে হায়দুনা য়ূমদা হেক হল্লকপদি কান্নবা খরা ৱাৎলি। অদুনা য়ারবদি ঐহাক্কী ওইনদি নোংমা, নীনি, হুমনি লৈথদুনা লমদম অদুগী ওইবা য়েংবা য়াবা পোৎলমশিং, মফমশিং অমদি চাওখৎ খোঙথাংনচিংবা য়েংশিনবদা য়াম্না কান্নবা পুরকই।

অসুম্না য়েংশিনবা, থিজিনবসি চেম্পিয়নশিপ হেক লোইবগা হৌরে ঐহাক্কী ওইনদি। চেম্পিয়নশিপ লোইরবা মতুংদা ওফিসলশিং, ষ্টাফশিং, জজশিং অমদি শান্নরোয়শিং পূন্না চাংদম্নবা অসিবু পাঙথোক্লিবা ঐহাক্কী মরুপ ওষ্ট্রেলিয়া মচা কেন রোজনা মখল মখাগী হেমবর্গর য়োনবা রেষ্টুরেন্ট অমদা লোইনা পুশিন্দুনা পীজ-পীথক তৌখি। তাঞ্জাসিদসু শান্নরোয়শিং ইনাক্তা চঙশিল্লক্তুনা করিগীদমক শান্নরোয় অমনা অহানবা তারিবনো, মহাক্না অনীশুবা তারিবনো, করি অৱাৎপা লৈ হায়বনচিংবা ৱাহং কয়া অমসু হংলক্লিবনি। চাননা অদুম খুম্মী ঐহাকসু খুমফম থোকপা। শান্নরোয়শিংনা খঙনীংবা ঐখোয়না খুম্বা হায়বসি আই এন বি এ পি এন বি এদদি চৎনবী অমা ওইনা লৈরকপনি। অতোপ্পা ফেদরেসন্দদি কদাই হংলুকা য়াপোৎ নত্তে। জজশিং ৱারী শাবগা ফংপোৎ নত্তে চাউরে হায়না চাউথোকখিবদা। অদুবু ঐখোয়গীদি অদুগুম্বা নাপল কাবা ৱাজাউ ঙাঙবা, মঙক থেকপগী চৎনবীসি লৈতে।



মথং নুমিৎ সেপ্টেম্বর ৮দা ঐহাক্কী মরুপ কেন রোজনা মহাক্কী গাড়ীদা ঐখোয়বু সিদনিগী মমিং লৈরবা Sydney Oprah House, Sydney Harbour Bridge, Manley Beach, Manly Wharp অমদি Rocks নচিংবা মফমশিংদা পুবীদুনা য়েংহনখি। হায়রিবা মফমশিংসি লোইনা ফজে, নাল্লি, য়াম্নসু চাওখৎলে হায়বা তারে। বৃটিশকী মখাদা চাওখৎলম্বা মফমনি। হান্নদি চুম্নগী সিনেমা, মমিদা অমদি য়ুট্যুবনচিংবদা সুম উবনি। মনাক্তা চঙশিনলুবদদি অসুক্কী মতিক চাউরম্মী। অদুনা ফেটো কাপ্পদা লোইনা লৌশিনবা ঙমদে। অদুগা অমনা পূন্না খোপচিন্দুনা লৌগে হায়রবদি অতোপ্পা নাকল হায়বদি ওপেরা হাওসকী মায়োক্নবদা লৈরিবা ঈশিং ঈপাক, সিদনি হার্বরগী নাকল অমরোমদা লৈবা রোক্স হায়রিবা মফম অসিদগী কাপ্লবদি লোইনা খোপচিন্দুনা ফোটো লৌবা ঙমগনি। অতোপ্পা য়াম্না ফজবা মীৎয়েং অমনা মেনলি বিচ হায়রিবা নোর্থ শোরলোমদা লৈবা গাড়ীনা চৎপদা মিনট ২০ মুক্কী অরাপ্পদা লৈবা মফম অসিদগী হীদা তোংদুনা লাক্লগা সমুদ্রগী ঈশিং ঈপাক্তগী উবা ফংই। মরম অসিনা মরুপ কেন রোজনা ঐখোয় মঙাবু পুদুনা মেনলি বিচকী হিথাংফম অসিদা থিনবীরম্মী। মেনলি বিচকী হিথাংফম অদুদগী সিদনি ওপেরা হাওসলোমদা হীদা তোংদুনা লাকপদা উবা মীৎফমদুদি অসুক্কী মতিক নিংথিজে মপূং ফানা। মসিনা থম্বালগী মওংদা উবা মীৎফমদুনি। তোঙান তোঙানবা মায়কৈদগী য়েংবদা তোঙান তোঙানবা ফজবা মীৎফম উবা ফংই হায়বদুনি।

সিদনি ওপেরাগী হেক মায়োক্নুনা সিদনি হার্বর ব্রিদজনা ঙাম্থোইদুনা লৈরে। সিদনি হার্বর ব্রিদজ অসিসু য়াম্না মমিং লৈবা, ফজবা থোঙ অমনি। ৱাহৈনা সুম হায়বসিদি য়ৌবা ঙম্লরোই, অসুক্কী মতিক নিংথিজখ্রে। মসি ঐখোয়গী থোং নম্বোনবী শাবগী মওংনি থোংবু থাঙ্গৎলিবা মরীগী মওংসি য়েংবদা। ঐখোয়গী থোঙ নম্বোনবীসু বৃটিশনা শারম্বগুম সিদনি হার্বর ব্রিদজ থোং অসিসু বৃটিশনা শারম্বনি অমদি কুমজা ১৯৩২দা লোইশিন্দুনা শীজিন্নবা হৌখিবনি। সিদনি হার্বরদগী ওপেরা হাওস অমদি সিদনি হার্বর ব্রিদজ অনীমক পূন্না উবা ঙম্মী ঈশিং ঈপাক্না তোঙান তোঙানবা নাকলদা থল্লবসু। সিদনি হার্বর ব্রিদজসি থোংদি ওইরগা তুরেল মথক্তা শাবা থোংমক্তি নত্তে। তুরেল কয়াদগী তারকপা ঈশিংগা সমুদ্রগী ঈশিংগা তাইনফম হায়বদুনি। থোং অসি সিদনি হার্বর হায়রিবা হিথাংফম অসিগী মথক্তা শাবা থোংনি। হায়রিবা থোং অসিনা সিদনি সিটিগা North Shore গা লম্বী ফাওনহল্লি।

মথং নুমিৎতনা শোধান রায়গা ঐখোয় অনী সর্ফিং তৌবদা মমিং হায়ফেৎ চৎপা বোনদি বিচতা য়ৌশিল্লুই। হায়রিবা বিচ অসি ঐহাক্কী য়ুনিভর্সিটি ক্লাস তাকপদা য়াওই। অদুবু মফমসিদা ইশামক্না চৎলুবা ঙম্বসি হেন্না নুংঙাইবা ফাওই। ক্লাস তাকপীবদা হেন্না নুংঙাইবা ফাওরনি মথংদগীদি। তাবগা ইশামক্না চৎতুনা য়েংলুবা, উরুবা হায়বসিগা য়াম্না খেন্নৈদো। নিংথমথা হেক লোইখিবদা ঙাইরিবনা অদুম ঈংই হায়বা তারে মফমসি। অদুগা নুংশিৎসু খরা শিৎলি। নুংশিৎ খরা কন্না শিৎপা অসিননি সর্ফিং তৌবদা য়াম্না খুদোংচাবা পীরিবা সর্ফরশিংদা। অকনবা নুংশিৎনা ঈশিং ঈমাইদা ফুবদা অচৌ অচৌবা ঈথক ঈপোম থোকহল্লি ঈথক ঈপোম অসিদনি সর্ফরশিংনা নুংঙাইজরিবা। অদুবু ঐখোয় সর্ফিংগী লাকপা নত্তবনিনা থোইদোক্না অকায়বা করিসু লৈতে। তৌবতবু সর্ফিং তৌবদি উদ্রে। নুমিত্তু নোংসু খরসু মঙখিবগা। অদুবু ঐখোয়না য়েংনীংবা মফম অসিগী নীংথিবা অদুদি অদুম লোইনা উবা ফংলকখি।

সর্ফিং তৌবমক উবা ফংদ্রবসু ঈশিংগী অকনবা ঈথক ঈপোম উবদো য়াম্না নীংথিজে। অৱাংবা তোর্ব্বান্দা কাখৎতুনা বোনদি বিছতগী Coogee রোমদা চৎপগী Coogee ত্রেলগী ৱাংতক তৌবা শাংনা চৎখিবা লম্বী অদুদগী য়েংথরকপদা অচৌবা ঈপাক্কী ঈথক ঈপোম হৌরবা ঈশিং ঈপাকসি য়েংথবদা কনাগুম্বা লাইয়েকপা অমনা অঙৌবা, অশংবা, মুরাক্লবা মচুনা অচৌবা কেনভাস অমদা চাউনা য়েকপা অয়েকপা লাইদুম মাল্লি, অসুক্কী মতিক নিংথিজখ্রে। কবিকা ওইরম্লদি নিংথিজবা শৈরেং খরদি শোয়দনা ইবা য়াগনি। নিংথিজবা শক্তম উৎপা নত্তনা য়াম্না পূক্লিংবু নুংঙাইহনবা তোঙানবা ঈথক ঈপোমগী খোঞ্জেলসু তাবা ফংই। য়াম্না থম্মোয় পেলহল্লি হায়বা তারে। ঈশিং ঈপাক অসিগী তোর্ব্বান্দা সুম পুং অমা ফানীংচিৎ খোঙনা চৎতুনা মহৌশাগী ফজবা ইপাক, ফজরবা ঈথক-ঈপোম অমদি তোর্ব্বানগী অকনবা ঈশিংগী ঈথক-ঈপোম য়ৈবদা থোরক্লিবা খোঞ্জেল তাবদা অমদি নিংথিনা হক-হক্তুনা থল্লিবা রোকশিং অমদি ইনাক্তা, তোর্ব্বান্দা, ঈশিং ঈপাক মথক্তা পীরিবা নিংথিজখ্রবা, ঙৌসোক ঙৌসোক ঙৌবা Seagul কৌবা চেক্লাশিং য়েংদুনা অমদি ফোটোনচিংবা লৌদুনা লাকপনা খরা চোকথরকপদগী বস তোংদুনা সিদনি সিটি তন্না হল্লকই।

হোটেলদা চঙদুনা ইরুজ-মায়থজবা লোইদুনা ঙাইহাক পুং অমমুক পোথারবা মতুংদা ঐখোয়গী হোটেলদগী মিনট ১৫/২০ গাড়ীনা চৎলগা লৈবা রোক্স কেফ কৌবা রেষ্টুরেন্ট অমদা লাক্লে ঐহাক্কী মরুপ কেস রোজনা পুবিদুনা। হায়রিবা রেষ্টুরেন্ট অসিদা ওষ্ট্রেলিয়াগী নেসনল ওইরিবা কঙ্গারু হায়রিবা শা অসিগী এঞ্জাং ফংই। কঙ্গারুতা নত্তনা অতৈ শা হায়বদি ক্রোকোদাইল অমদি ইমু হায়রিবা মসা য়াওদবা য়াম্না চাউবা উচেক অদুগী শাদোংসু চাবা ফংবীগনি। লম অমদা চৎলবদি লমদমদুগী ওইবা তোপ তোপ্পা, অতৈ লমদা ফংদবা চিঞ্জাক মখলদি অদুম য়েংগদবনি হায়বসি ঐহাক্কী ৱাখল্লোননিকো। শা চাদবা মীওইশিংদদি মদুগী মথৌ তাদে। অদুবু শা চাবা ঐখোয়দদি অদুম চাদুনা মহাও তংবা য়াই।

ওষ্ট্রেলিয়াদা কঙ্গারু অসি নেসনল এনিমেল ওইজরগসু কুমজা ১৯৮০ দগীদি ওষ্ট্রেলিয়াগী ষ্টেট অয়াম্বদা চাবা য়াবগী অয়াবসি মখোয়গী লৈঙাক্না য়াখ্রে। অদুবু কুমজা ১৯৯৩দগীদি ওষ্ট্রেলিয়াগী মফম খুদিংমক্তা চাবা য়াবগী আইন লৈখ্রে হায়না হায়। মসিনা আইনগী ৱফমনি। অদুগা নাকল অমরোমদা কঙ্গারু, ক্রোকোদাইলনচিংবা শাশিং অসি মশীং য়াম্না হেনগৎলক্তুনা মহৌশাগী খলদা কায়রকপনা মীওইবদা অমদি য়ূমগী শা-ষণদা অকায়বা কয়া লাকপনা ওষ্ট্রেলিয়া লৈঙাক্না হায়রিবা শা খরা অসিদি চাং নাইনা হাৎতুনা চাং পুরক্নবা হোৎনৈ। মরম অসিনা ওইরমগনি মখোয়গী নেসনল এনিমেল ওইরিবা শা কঙ্গারু অসি চাবা য়াহল্লিবা। করিগুম্বা শা অসি মুৎখিগদৌবা শা মখল অমা ওইরম্লবদি ওষ্ট্রেলিয়া লৈঙাক্না অসিগুম্বা চাবা য়াবগী আইন অসি পুথোক্লল্লোই।

ক্রোকোদাইলসু মঙাই। ওষ্ট্রেলিয়াদদি ক্রোকোদাইল হায়রিবা শা অসিনা মীওইবতা নত্তনা য়ূমদা য়োকপা শা-ষণ কয়া অমসু হাৎতুনা মাঙ তাকহল্লিবনি। মরম অসিনা ওইরমগনি ক্রোকোদাইলগী শাসু চাবা য়াহল্লিবা। ইমুসু অসুম্না চাবা য়াবা ওইরমগনি হায়না খল্লি। অমবু ওইরে অমবু ওইরে লমদম অদুদা ফংবা তোপ তোপ্পা শা নৎত্রগা ঙা নৎত্রগা অফংবা চিঞ্জাক অমা চাদুনা চাং য়েংবদা করিসু অকায়বা লৈতব্রা হায়না খল্লি। ক্রোকোদাইলগী শাদি টাইৱান্দসু ফংই হায়দুনা মতমসু লৈতে হায়না চাদ্রে। অদুগা ইমু অমদি ওষ্ট্রিচকী শাসু টাইৱান্দা ফংই হায়দুনা চাদ্রে। ওষ্ট্রিচকী শাদি চাখ্রে টাইৱান্দা।

মরম অসিনা লাক্লিঙৈসিদা মহাও য়েংহৌগে হায়দুনা grilled kangaroo steak ওইনা চাবনি। মেদিয়ম রিয়র হায়না খরা মুনফাত্তনা কোল অশাবদা মৈদা য়াইরগা থোংবনি/শেম্বনি। য়াম্না মুন্না থোংলদি কল্লি হায় চাবদা। ঐখোয়না চাবদু মেদিয়ম রিয়রদা থোংবনা য়াম্না থোৎনা চাবদা য়াম্না হাওই। ষণশা অয়াইবগা হায়ফেৎ মান্নে। মদুগা পূন্না চানবা আলু মেৎখায়বা অমদি অশংবা অথোংবা মনা-মশিং অমগা পীরকই।

মথং নুমিৎ সেপ্টেম্বর ১০দনা অরোইবা নুমিৎ ওইনা নুমিদাং ৱাইরমগী পুং ৫দা ঐহাক্কী মরুপ কেন রোজনা ঐহাক অমদি সাউথ অফ্রিকাদগী লাকপা নুপী বোদিবিল্ডিং শান্নরোয় অলমা নেলগা থিনবিগদবনা হোটেল রুমদগী অয়ূক্কী পুং ১১দা চ্যেক আউট তৌরগা ঐহাক্কী সুইটকেসতু হোটেলদা থমহল্লগা সিদনি এক্বারিয়ম অমদি সিদনি ৱাইল্ড লাইফ য়েংবা চৎলি ঐ ইতোমতা। নুংঙাই অচৌ অচৌবা শার্ক, ষ্টিম রে, জেল্লি ফিশ অমদি অতৈ মখল কয়াগী ঙাশিং, ক্রোকোদাইল, কঙ্গারু, কোএলা, টাসমেনিয়ন দেভিল অসিনচিংবা কয়া উবদা। খ্বাইদগী নুংঙাইবদি পুন্সিদা অদুক চাউবা ক্রোকোদাইল উখিদ্রি মীৎসিনা ইমাংমক্তদা।

ওষ্ট্রেলিয়া হায়রিবা লৈবাক অমদি মসিদা লৈরিবা মীওইশিং খঙগে হায়রবদি সিদনিদগী য়াম্না খঙবা য়ারে, মফমসিদা লোইনা শুনা লৈবনা। মরুওইনা লমদম অসিগী মীওইশিং অসি ৱাখল্লোন, থবক খূৎশু অমদি নানবা খোৎপা অসিনচিংবা। সিদনিগী চৎলু-চৎলুবা মফম খুদিংমক লোইনা নান্না নান্না থম্মী, লৈ। য়াম্না নুংঙাইবা অমনা ৱাই শিৎপা-শেংদোকপা মীওইদি ইউ উবা ফংদে। মসিনা তাকপদি মীয়ামসে য়াম্না ৱাখল তাই হায়বনি। মীশিংসি পোৎচৈ, ফত্ত হৌদি মফম চাদনা হুন্দোকপা তৌদে, উদে। ঐখোয়গীদি কদাই, য়ূমগী কোম্থোং হেক লাম্থোকখিবদা অদুম হৌরে হুন্দোকপা। হুন্দোক্তবা মফমবু লৈতেনে। হুন্দোক্নু, ফাইন লৌগনি হায়রফাও মী উদ্রিঙৈ মতম খন্দুনা হুন্দোক্নরিবনি য়াদবা মফমদুদা। ইন্দিয়াগী মফম অয়াম্বসু মসিমকনি তৌরিবা। মসিগী খেন্নবসি উরুরগা ইকায়জৈ ঐখোয় ইরমদম কংলৈপাক্তা লাকও কায়না হায়গদবা। তশেংবগীদি ইরমদম কংলৈপাকসি অসুক্কী মতিক ফজবা, নুংঙাইবা লমদমনি অদুবু মরী লৈনবশিংনা নীংথিনা য়েংশিনবীদবদগী নানবা ঙমদ্রিবনি। মীয়ামগীসু মরাল য়াম্না লৈ। মীয়ামসু তৌগনু য়াদে হায়রদি হেন্না হেন্নদুম তৌরক্কনি। অসুম্না চাওখৎ-চাওখৎপা, নান্না-নান্না লৈবা লমদমশিংদা চৎলুরগা, উরুরগা ইরমদম কংলৈপাক্তা ওনশিন্দুনা হেক হেক য়েংবদদি হেক্তা নীংবা কায়নীংঙাই ওই, নীংবা কায়। অদুবু নীংবা কায়বা নত্তনা করি পাম্বৈদি লৈরি। মথৌ তৌগদবা লুচিংবশিংনা ফম মুন্নদুনা লৈরে, শেল চাদুনা লৈরে, ময়ূমগীদং খন্দুনা লৈরে লৈবাকসিগী চাওখৎনবদি মখোয় অয়াম্বনা খন্দে, মীয়ামগীসু খনবীদে। মসি ঐহাক্না হায়জবা নত্তে, মীয়াম্না হায়নবা ৱাফমশিংনি। অমুক্তদি ইরমদম কংলৈপাকসি চাওখৎপা হায়বদো ওইহন্নীংই, নুংঙাইনা হিংহন্নীংই ইরৈচাশিংসে অতোপ্পা লৈবাকশিংদা নুংঙাইনা হিংনবগুম, পুরক্লিংই মোমোন মীনোক্তো কংলৈ ইমাগী মায়থোংদা। কংলৈ ইমানা য়াইফরে! ●



# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## পাখৎনা হিংলবসু থবক শূবদি লাইরেক্কনু

ঈকায় খুম্নজরিবা এদিটর,

অখঙ-অহৈশিংনা চহী খুদিংগী য়ামশিল্লকপসিনা কাবক-কাবক খঙজবা মীওইশিংদি অপঙ লাই চাবা হায়বদুমা ওইরবনি। থবক্তি শূনীংদনা মীগী নুংঙাইবা উরগা কল্লকপা মীহৌবা মীগী মশীং তাথবদি লায়রদুনা নোংমা নোংমগী ওপার অমা লৈখৎলকপা করম্বা ফীভমদা অফবা লাক্কদৌরিবনো? লাকনীংঙাইগী পরম থাজবা ৱাৎতুনা লৈরগদবা মাল্লক্লবনি। অফবা থবক অমা তৌরে থাজদবা, ফত্তবা থবক অমা তৌরে থাজদবা করিনো তৌগদৌরিবসিবু? তাইবঙ মীওইবা ওইনা হিংদবা য়াদনা হিংবদা ইথন্তা হিংবা য়াবা নত্তে। অমগা-অমগা মতেং পাংনদুনা অৱাৎ-অপা হংনদুনা হিংবা মসিদগী হেনবা অতৈ অমা লৈররোই। মথন্তা হিংজগনি হায়বা নুপা অমগী ৱারী অমা নীংশিংলকই। মহাক কনাগীসু মতেং লৌদবা য়ারিবা মখৈ মশানা শূদুনা নোমদুনা হিংগনি হায়জবা চাওভল কৌবা নুপা অমা লৈরমই। মহাম্না বোড়া চানীংদুনা হৌনবা হোৎনরমই। বেসোন ওইগদবা হৱাই মঙ্গল থাবা তারমই। লোয়ননা থাগদৌরিবা মফমদু য়োৎপাক্না ফজনা তৌদুনা লৈকুপ তানবা হোৎনবা তারমই। মসি ফাওবা কনাগীসু মতেং লৌদনা চাওভলনা হোৎনরমই। হৱাই মঙ্গলদু ফজনা থারমই। মতমগী মতুংইন্না হৈজিং ফাদুনা পাম্বীশিংদু মখূৎনা ফোইদুনা মফম চাবা অমদা তাশিন খোপচিন্দুনা থনমই। চৈ অমা পায়দুনা য়ৈরম্মী। হৱাই মঙ্গল ফনা নিংথিজনা থোক্লম্মী। হৱাই মঙ্গলদু বেসোন তানবা করিগুম্বা অমনা তকখায়বা তারকপদা অৱাবা অমা মায়োক্নরমই। বেসোন তকফমদা পুদুনা তকপা নত্তনা মাগী পাম্বৈ লৈরমদে। পাম্বৈ অমা পুথোক্তুনা বেসোন অদু তক্লুরে হায়না খল্লসি। বোড়া হৌবদা শীজিন্ননবা থাওনা কদাইদগী? মথন্তা হিংবা পামজবা মাগীদি খুদিংমক্তা মশানা তৌবা তাবনি। থাওগীদমক মথৌ তারিবসি হঙ্গাম মরূ লৈতনদি থাও থোক্কদবা নত্তে। হঙ্গাম মরূ ফংনবগীদমক হঙ্গাম থাবা তঙাইফদবনি। খুদক্তা মশা মথন্তা ঙম্নবা হোৎনবদা অৱাবা হায়বদু ওইরমই। পূম্নমকসি মশা মথন্তা কনাগীসু মতেং লৌদনা হোৎনবা তাবদা শোয়দনা শিবনা হাল্লগনি হায়বা ৱাখল অমা লাক্লমই। ৱাখলদু অফবা অচুম্বা পাউতাক ওইরগা তাইবঙ পানবসিদা লৈরিবা মীওইবা ফুরুপসি নুংশি চাননা অমনা অমগী মতেং পাংনদুনা হিংবা মসিদগী হেনবা অতৈ অমা লৈত্রবনি মসিমক চাওভলনা খল্লমই।

মশা মথন্তা হিংবা পামজবা মহাক অদুদি হায়জবগী ৱানি ওইবা য়াবা নত্তে। অপূনবনা পাঙ্গলনি হায়বা মসিমক খেৎপা য়াদনা চুল্লবনি, লাইদি অমখক্তনি হায়রিবা অসি ফাওবদা লাইদুনা লাই ইবুংঙো ওইরবা, মহাক্কী খোঙলোই লাই ইবেম্মা লৈদৌরিবনি। লফোইদবু চঙ থোকপনা মমল হাইগৎপগী ৱানি। খুদিংমক্তা থাজরিবদুনা অদুমক মরু ওইরবনি। পংহায় হায়নবগী ৱানি। লাইদি অমত্তনি হায়রিবসিবু নুপারা, নুপীরা? অনীসিগী মনুংদা অমদি ওইবা তাবনি। অতিয়াদা পাইদুনা মনীং তৌনা শান্নজরিবা চেক্লা কয়া মপাংগা লোয়ননা পাইবনা মশীং অয়াম্বনি। করিগুম্বদা নাইতোম তাদুনা পাইরিবা অদুসু মাগী মপাং শোয়দনা লৈরমগদৌরিবনি। হায়জরোই, নোঞ্জরোই হায়দুনা কন্থা-করেম্নন লৈরিবা মহাক্তু পোক্লবদি নোংমদি শোয়দনা শিরগদবা মীওইবা মপোকনি। হৈথোই শিংথোইরে হায়দুনা ওল্লে-পাল্লে তৌবা য়াগদবা নত্তে। মতমদুদি নান্থোকপা য়াদনা অদুমক ....। শিরবা মতুংদা কনানা মহাকপু থাংদোকপীদৌরি? শিরবা মীওইদুনা ঐদি কনা লৈজদবনি হায়দুনা মশানা কোম অমা তৌরগা কোম নুংদা শিজরবসু লৈবাক্তি কনানা শুজিনবীগনি? মথন্তা হিংবা হায়বসি ওইবা য়াবা নত্তে। মুন্না খল্লুরবদি অশোয়বা পরেং ময়াম অমা লৈদৌরিবনি। ফুরুপ অমগা অমগা নুংশি চান্নবা লৈমিন্নবা, মসিদগী হেনবা অতৈ অমা লৈগনি হায়বসিমা থাজবগী ৱাংমদা লৈদৌরবনি। মাদি অদুনি, ঐনা অদুনি হায়দুনা খাইদোক্লিবা মখৈ চাওখৎপদি লায়রদুনা উন মপাক্না নুংশাগী মৈশাদা তুম্বগুম ওইদনিংঙাই লৈরোই।

ফুরুপ খুদিংগী মাগী মাগী পামজবা ফিরাল অমমম লৈবা তারবা ঐখোয়গী ইরমদমসিদা ফিরাল কয়া লৈদৌরি? মালেমদা লৈরিবা লৈবাক ময়ামসিনা মথন-মথন্তা হিংবদা চাওখৎলে হায়গদৌরিবসিবু কদায়দনো? শম্না হায়রবদা মরোমদোম লেপচবা ঙম্লগনি হায়রিবা লমদম হিংবদা চংদবা য়াদ্রবা তাইবঙ মীওইবগী পোৎলম খুদিং লৈরবা জাৎলা? ৱাহংসিমক হংবা কায়দব্রা? পোৎথোক ময়াম অমা লৈদুনসু লৈবাক অমগা অমগা তোকখায়-তোকখায় তানদুনা নুংশিনগদবদা য়েক্লবা ওইনা হিংবা মুন্না খল্লুরবদি অচুম্বা হায়বদুমদি ওইদ্রবনি। ঐনা তৌবনা ফরেদা খনবা মসিসু করিগুম্বদা অৱাবদি য়াওদবা নত্তে। লৈঙাক্না ফনা য়াম্না অফবা তৌগনি খন্দুনা থবক অমা তৌনবা হোৎনবা মদুবু য়ৈখাইবা-থিনগাইবা মসিমদি অদুমক ওইরবনি নেনা তানা মসিমদি করিমতা থোকখিদে হায়বা পংয়াও য়াওরমগদবা মান্দ্রবনি। য়ূমদা লোয়বা হূই ফাওবা মতম খরা লৈরবদি মপুনা চাক থাবীদবগী খোঙফম শোয়দনা লাক্কদৌরিবনি। শুংশোয় শোয়দবদা ফক্লাংদা লৈতুম্না থোম্বদৌনা চেঙ কিলোদা লুপা ৬০/৭০দি শোয়ররোই। কিলোদা লুপা ৫০ য়ৌরবা ফাওবসিদা ঐখোয় করি তৌরি? পীবা মখৈ পীজসনু লৈবা ঙমদ্রগা চাদবদগী শিসনু মসিদা তারক্কদৌরি। নুংঙাইবনা নুংঙাইনা হিংবা, অৱাবনা ৱানা হিংবা, মসিগী মথেল থোরক্কদবা কুইরক্ত্রবনি। লাইগীসু লাই, মীগীসু মী মসিমক নমদনা তারক্কদৌরিবনি।

*অদোমগী - হেমজিৎ ইরোম্বা*
*খুরাই লাইৱাংবা মমাঙ, ইম্ফাল*

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০৩**

১। মীতৈ পুৱারীদা সনা হেরাচন্দ্রগী মিংদি মুৎপা নাইদনা লৈহৌরগনি। ডাকু নিংথৌ হায়দুনা।
(ক) ইপুংসি হেরাচন্দ্র করম্বা মৈদিংঙুগী মচা ইবুংঙোনো?
(খ) অৱা লান্দুদা লৈবাক কায়বা হৌখিবদু ১৮১৯গী করি থাদনো?
২। "হেলোইনা মী পুই/মোইবুং খোংদুনা মীনা থিনৈ। অদুবু মাদি নুংঙাইরবা তাইবঙপান অমদা লৈ।" ৱাফম অসি এম কে বিনোদিনীনা হায়রম্বনি। করম্বা লাইরিক্তা হায়বনো?
৩। "ঐদি/ফনা নঙনা পেমচা ওইদুনসু/নত্তে ঐদি নঙগী বোরাচাউবা/পুরেম্বনি ঐদি ঙাঞ্জলৈমগী।" ৱাহৈশিং অসিনা অইবা রনবীর শারুংবনা শৈরেং অমদা হায়রিবনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।
৪। "হিংবা শিববু ঐখোয়গী খূত্তা লৈব্রা/ইশা ইথন্তা হেক্তা শিগদ্রা?" পরেংশিং অসিনা 'য়েন্নিংথাগী য়েন্নিং' কৌবা শৈরেং লাইরিক অদুদগী লৌথোকপনি। অইবীদু কনানো?
৫। "নুংশি করি ওইরসিগে/নুজা ৱাখল থেনমল্লি/নুংশি নশুং লাংগীদমক/কাইখরেনে ঐগী থম্মোয়।" পরেংশিংসি য়াম্না মমিং লৈরবা ঈশৈ অমগী অহৌবা পরেংশিংনি। অইবদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ১৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউ-খুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।